# ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অহুম হাৎখ্রে, সিরিয়াদা রোকেট ষ্ট্রাইক চখ্খ্রে

টেল অভিব, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
নেবলস সিটিগা নক্কনা ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাং থংবা শরুক্তা নোংমৈ কাপ্নবদা পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অহুম শিরে হায়না ইজরেল্লি আর্মিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



খুৎলায় পায়বা পলেষ্টিনিয়নশিং অদুনা ইজরেল্লি লান্মীশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী লান্মীশিং অদুনা খুৎ হন্দুনা কাপ্পদা গনমেনশিং অদু শিখিবনি হায়না ইজরেল্লি আর্মিনা ফোঙদোরক্লি।

ইজরেল্লি আর্মিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি, মদুদি ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাং থংবা শরুক্তা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা আর্মিনা পলেষ্টিনিয়ন গনমেন অহুম হাৎখি অমসুং অতোপ্পা গনমেন অমনা ইজরেল্লি ফোর্সেসতা সরেন্দর তৌরকখিবগা লোয়ননা মহাকপু ফাখি। ৱেষ্ট বেঙ্ককী ইনৌ নৌবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অসি হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা ইজরেল্লি ফোর্সশিংদা জেনিনদা চখিবা রেইদ অমদা পলেষ্টিনিয়ন অহুম হাৎখ্রবা মতুংদা থোক্লকপনি।

মতমদুদা ইজরেল্লি ফোর্সেসনা ফোঙদোরকখিবা মতুং ইন্না ওপরেসন চখ্রিঙৈ মনুংদা হান্না ৱান্টেদ লাউথোকখ্রবা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা কার মনুংদা ইজরেল্লি ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপ্লকখি। মদুগী পাউখুম ওইনা ইজরেল্লি ফোর্সশিংনসু মখোয়দা খুৎ হনখি অমসুং নাকল অনী কাপ্নবদা কার তোংলিবা খুৎলায় পায়বা মীওই অহুম অদু শিখি।

লমদম অদুদা হাৎন-শুনবগী থৌদোক কনখৎলকপসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা থৌদোক নত্তে। হৌখিবা থাদসু পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিংনা গাজা ষ্ট্রিপতগী ইজরেলগী খা থংবা লমদম তম্না রোকেট তরুক কাপশিল্লকখি। প্রোজেক্টাইলশিং কাপ্লকপগী থৌদোক অদু ইজরেলনা নুংথিলগী মতমদা চখিবা ওপরেসন অমনা মরম ওইদুনা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা নৌহৌননা খুৎ থোক্লরকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিবগা লোয়ননা অতৈ ১০০ হেন্না অশোক অপন নঙখিবা মতুং পুং ২৪ ফাদবা মতমদা থোক্লকখিবনি।

এক্সপার্টশিংনা মদু কুমজা ২০০৫ কী মতুংদা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা থোক্লকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিংগী মনুংদা অমনি হায়না ফোঙদোক্লকখি।

চৈরকসিদা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা পলেষ্টিনিয়ন টেরিটরি অদুগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অদু হৌখিবা চহী অমগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথীবনি হায়রদুনা লমদম অদুদা মখা তানা টেন্সন ৱাংলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেল্লি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটন য়াহুনা অমুক হন্না পৱার পায়রকখিবদগী লমদম অদুদা নৌহৌননা ভাইওলেন্স হেনগৎলকখি।

অমরোমদা, ইজরেলনা নোংমাইজিং নুমিত্তা সিরিয়াগী হামা প্রোভিন্স অমসুং কোষ্টেল টারটাউস লমদমদা রোকেট কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চখরক্লে হায়না সিরিয়ন ষ্টেট মেদিয়াগী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না ইজরেল্লি রোকেটশিং নোর্দন লেবানন লাল্লগা মখোয়গী টার্গেটশিং তম্না পায়রকখি। মিসাইল ষ্ট্রাইক অদুদা মিলিটরি পর্সনেল অহুম অশোক অপন নঙখি। অদুম ওইনমক ইজরেল্লি মিলিটরি স্পোক্স পার্সন অমনা হিরম অসিগী মতাংদা হংবদা কম্মেন্ট পীখিদে। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সিরিয়াগী অলিপো এয়রপোর্টতা ইজরেল্লি ফোর্সশিংনা চখরকখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অদুদা এয়রপোর্ট অদুদা অমাঙ অতা কয়া থোকখি।

নোংচুপলোমগী ইন্টলিজেন্স ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না ইজরেল্লি এয়র ষ্ট্রাইক অদুগী টার্গেটতি হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং অমসুং রিলিফকী মিংদা প্লেন কয়ানা নোংথক্তগী দেলিভর তৌরিবা ইরানগী খুৎশু খুৎলায়শিংনি।

# য়ুএসনা অথিংবা থম্বা জেনরেল অমা চাইনানা অনৌবা দিফেন্স মিনিষ্টর হাপখ্রে

হোংকোং, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
য়ুএসনা অথিংবা থমখ্রবা জেনরেল অমা চাইনানা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী অনৌবা দিফেন্স মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



সি এন এনগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি লৈবাক অসিগী রববর-ষ্টাম্প লেজিসলেচরনা জেনরেল লি সংফুগী এপোইন্টমেন্ট অদুবু মত অমত্তা ওইনা কনফার্ম তৌখি। জেনরেল লি পিপলস লিবরেসন আর্মিনা চথরক্লিবা মোর্দনাইজেসন দ্রাইভকী ভেটরন অমনি।

এক্সপার্টশিংনা হায়রি, মদুদি জেনরেল লি সংফুবু অনৌবা দিফেন্স মিনিষ্টর ওইনা এপোইন্ট তৌরিবদু ফম অসি দিপ্লোমেটিক অমসুং সেরিমোনিএল ওইবা ফমনি হায়না লৌনরবসু লিগী বেকগ্রাউন্দ য়েংলগা ৱাশিংতন্না কুপ্না য়েংশিনগনি।

কুমজা ২০১৮ দা হান্নগী য়ুএস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেসন্না লি অমসুং মতমদুদা মহাক্না চার্জ পুরিবা চাইনাগী ইক্বিপমেন্ট দিভলপমেন্ট দিপার্টমেন্টবু সু-৩৫ কম্বেট এয়র ক্রাফট অমসুং এস-৪০০ সর্ফেস-২-এয়র মিসাইল সিষ্টেম অমা য়াওনা রসিয়াগী খুৎলায়শিং লৈবগা মরী লৈননা অথিংবা থমখিবনি। মহাকপু দিফেন্স মিনিষ্টরগী ফম পায়নবা খল্লিবদু চাইনাগী নেসনেল পিপলস কংগ্রেসনা নোংমাইজিং নুমিৎকী মীফমদা পরিং নাইনা কনফার্ম তৌখিবা এপোইন্টমেন্টশিংগী মনুংদনি।

সিটিং অদুদা কনফার্ম তৌখিবা অতৈ সিনিয়র এপোইন্টমেন্টশিংগী মনুংদা অনৌবা ভাইস প্রিমিয়র মরি-দিং সু জিয়াং, হে লি ফেং, জাং গোকিং অমসুং লিয়ু গুজোন য়াওখি। অনৌবা প্রিমিয়রনা নোমিনেট তৌখিবগা লোয়ননা মখোয় মরিনা ষ্টেট কাউন্সিলদা ভাইস প্রিমিয়রশিং ওইনা সর্ভ তৌগনি। ষ্টেট কাউন্সিল অসি চাইনাগী অকনবা জেরো-কোভিদ রেষ্ট্রিক্সনশিং চহী অহুম চুপ্পা থমখিবা মতুংদা শেল থুমগী থবক থৌরমশিং অমুক মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নবগী থবকশিং পায়খৎপগী থৌদাং শিন্নরিবা বোদিনি।

লি সাং ফুবু দিফেন্স মিনিষ্টর ওইনা এপোইন্ট তৌরিবসি বৈজিং অমসুং ৱাশিংতনগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ মতমদনি। দিফেন্স এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না চাইনাগী সেটলাইট প্রোগ্রামদা চেন্নরিবা লিগী টেক্নোক্রেট অমসুং এরো স্পেস ইঞ্জিনিয়র অমগী বেকগ্রাউন্দ লৈরিবা অসিনা মরম ওইদুনা অনৌবা ফম অদুদা মহাক্না মরু ওইবা থৌদাং শোয়দনা লৌরক্কনি।

# সেক্সন ১৪৪ চৎনহল্লকপদগী ইমরান খানগী মীখলগী রেল্লি য়ৈথোকখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
লাহোর সিটিদা পাঙথোক্কদবা পি টি আইগী মীখলগী রেল্লি পঞ্জাব প্রোভিন্সকী ইন্টরিম গভর্ণমেন্টনা সেক্সন ১৪৪ চৎনহল্লকপদগী পার্টি অসিগী চীফ ইমরান খাননা নোংমাইজিং নুমিত্তা মার্চ ১৩ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।



পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর খাননা নোংমাইজিং নুমিত্তা পার্টিগী রেল্লি অদু পাঙথোক্কনি হায়না খঙহৌদনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা লাউথোকখিবনি। অদুম ওইনমক লাহোরদা পাকিষ্টান সুপর লিগ (পি এস এল) মেটচ শান্নবগা মরী লৈনবা সেক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না সিটি অদুদা সেক্সন ১৪৪ চৎনহনখিবগা লোয়ননা মীয়াম পুনবদা অথিংবা থমখি।

ইন্টরিম গভর্ণমেন্টগী খোঙথাং অদুবু প্রোটেষ্ট তৌরদুনা পি টি আইনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিষ্টানদা কমপ্লেন্ট তৌখি অমসুং মদুগী তুংদা রেল্লি অদু য়ৈথোকখি। ওইরক্লিবা ফিভম অদুগা মরী লৈননা ত্বিটর পোষ্টকী খুথাংদা খাননা হায়খি, মদুদি লাহোরদা অতৈ পব্লিক এক্তিভিটি পুম্নমক চথহল্লবসু পি টি আইগী ইলেক্সন কেম্পেইনদা অয়েৎ অপন পীনবা খক্কী পান্দমদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা অমুক হন্না সেক্সন ১৪৪ চৎনহল্লক্লে।

জামন পার্ক খক্তমক কন্টেন্নরশিং অমসুং পুলিস পর্সনেল ময়াম্না কোইশিন্দুনা থল্লিবা অসিনা তাক্লিবদি মার্চ ৮ দা থোকখিবগুম্না পঞ্জাবকী সিএম অমসুং পুলিসনা পি টি আইগী ৱার্করশিংদা খুৎ থোক্লবা পাম্মী হায়বসি শেংনা উৎচরে।

মীখল য়ৈথোকপা য়ানবগী পান্দমগা লোয়ননা মখোয়না পিটিআইগী লিদরশিপ অমসুং ৱার্করশিংগী মায়োক্তা য়ুম্ফম য়াওদনা অমদি মথোং মরম খঙদনা এফ আই আরশিং ফাইল তৌনবা হোৎনরি। থৌওংশিং অসি নমথাক ঙাক্তনি। মীখলগী সেদ্যুল লাউথোকখ্রবা মতুংসিদা পোলিটিকেল এক্তিভিটিশিংদা অয়েৎ অপন থোকহন্নবা সেক্সন ১৪৪ চৎনহনবা হায়বসি ইল্লিগেল ওই। ঐহাক্না পি টি আইগী ৱার্কর পুম্নমক্তা অসিগুম্বা লাং অসিদা থুদনবা খঙহল্লি। ঐখোয়না রেল্লি অসি শুপ্পগী পুং ২৪ দমক য়ৈথোক্কনি হায়না ত্বিট অদুদা খাননা ফোঙদোকখি।

# মহৈরোয়শিং পোইজনিং তৌখিবদা চেন্নবা মীওই ১০০ হেন্না ফাগৎখ্রে

টেহরান, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
হন্দক্তা ইরানগী স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিংবু পোইজনিং তৌখিবগী থৌদোকশিংদা চেন্নবগী মরালদা প্রোভিন্স ১১ দা মীওই ১০০ হেন্না ফাগৎলে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা থাংজ নুমিত্তা মসিগী ৱেবসাইটতা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না পোইজনিংগী থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা মীফা মীপুনশিং তৌরিবা প্রোভিন্সশিং অদুগী লিষ্টতা টেহরান, কোম, জনজন, খুজেষ্টান, হামেদান, ফার্স, গিলান, ৱেষ্ট অজরবৈজান, ইষ্ট অজরবৈজান, কুর্দেষ্টান অমসুং খোরাসন রসবি য়াওরি।

ষ্টেটমেন্ট অদুদা ফারবশিং অদুগী মনুংদা মীওই খরনা হু চেনবা পোৎশক খরবু ক্লাস য়াওদনবগী পান্থে ওইনা শীজিন্নখি হায়নসু পনখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুং ইন্না ওথোরিটিশিংনা মীওইশিং অদুদা মথৌ তাবা ৱার্নিংশিং অমসুং ইন্সট্রক্সনশিংসু পীখি। ফারবা মীওই খরদি ওথোরিটিশিংবু তাথীবগী ৱাখল চেনবশিংনি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়রি, মদুদি মীওইশিং অদুনা মীয়াম অমসুং মহৈরোয়শিংদা অকিবা পোকহন্নবা হোৎনখি। মীওইশিং অদু টেররিষ্ট গ্রুপশিংগা মরী লৈনব্রা হায়বসি খঙদোক্লনবা ওথোরিটিশিংনা ইনভেষ্টিগেসন চথরি। কুমজা ২০২২ গী নবেম্বর ৩০ দা কোম প্রোভিন্সতা পোইজনিংগী অহানবা কেস রিপোর্ট তৌখিবদগী ইরানগী স্কুল ৩০ হেনবদা মহৈরোয় ৭০০ হেন্না পোইজনিংগী ভিক্তিমশিং ওইরকখি। মখোয় অয়াম্বা ট্রিটমেন্ট ফঙলবা মতুংদা হোস্পিটালদগী থুনা রিলিজ তৌখি হায়না ইরানগী ওফিসল ন্যুজ এজেন্সি ইর্নাগী রিপোর্টনা হায়রি।

ইরানগী সুপ্রিম লিদর অলি হামেনৈনা লো এনফোর্সমেন্ট কাঙবুশিংদা পোইজনিংগী থৌদোকশিং অদুদা চেন্নবশিংবু লেম্না থাদনবা অমদি মখোয়বু খ্বাইদগী কনবা চৈরাকশিং ফঙহন্ননবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা খঙহনখিবনি হায়রি।

# বাংলাদেশতা আহমদিয়াশিংদা চথখিবা এটেক পাকিষ্টানদা বেজ তৌবা জামদ-ই-ইস্লামিনা শৌগৎখি

ধাকা, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
বাংলাদেশকী আহমদিয়াশিংদা চথখিবা এটেক পাকিষ্টানদা বেজ তৌবা জামদ-ই-ইস্লামি অমসুং মিলিটেন্ট আউটফিটশিংনা শৌগৎপা ইস্লামিষ্টশিংনা মাঙজৌননা থৌরাং তৌরগা চথখিবনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মশক মমিং খঙহন্নিংদবা সেনিয়র ওফিসল অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা শাথিরবা খুৎলায়শিং পায়বা নীংথিনা ট্রেন তৌরবা কাদরশিং অদুনা আহমাদিয়া কম্যুনিটিদা এটেক কয়া চথখি। আহমাদিয়া কম্যুনিটিনা শীল লাংদুনা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা জালসা পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা মিলিটেন্টশিং অদুনা গন পাউদর অমসুং পেট্রোল শীজিন্নদুনা কম্যুনিটি অসিদা এটেক চথখি।



পনবা য়াবদি, মার্চ ৩ দা পঞ্চাগর সাদরদা চথখিবা এটেকশিং অদুদা মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ১০০ হেন্না অশোক অপন নঙখিবনি। পঞ্চাগর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট এসএম সিরাজুল ইস্লাম হুদানা হায়খি, মদুদি গন পাউদর অমসুং পেট্রোল শীজিন্নদুনা ইষ্টাব্লিসমেন্টশিং মৈ থাখিবা এটেক অদুদা চেন্নবা মীওই ৩০ ফারে। এটেকশিং অদুগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ১৬৫ ফারে। পোলিটিকেল বেকগ্রাউন্দশিংগী খেন্নবা লৈহন্দনা ঐখোয়না অকক্লবা ইনফোর্মেসন অমসুং সি সি টি ভি ফুটেজতা য়ুম্ফম ওইরগা এটেকশিং অদুদা চেন্নবা মীওই ফাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মার্চ ৩ দা লো এনফোর্সরশিং অমসুং আহমাদিয়া কম্যুনিটিগী মায়োক্তা দিমোন্সট্রেসন চথখিবা ইস্লামিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী সপোর্টরশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবদা পুলিস পর্সনেল তরেৎ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শোকখিবগা লোয়ননা আহমাদিয়া কম্যুনিটিগী মশা ইঞ্জিনিয়র ওইবা মীওই অমা শিখি।

ইস্লামিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং অদুনা আহমাদিয়া কম্যুনিটিগী মেম্বরশিংগী চহীগী ওইবা মীটিন অমা ওইরিবা নুমিৎ হুম্নিগী জলসা সলানা কেন্সেল তৌনবা দিমান্দ তৌখিবনি। ইস্লামিষ্টশিং অদুনা আহমাদিয়া কম্যুনিটিগী মেম্বরশিংগী য়ুম ৩০০ হেন্না অমসুং দুকান ২০০ রোম মৈ থাদোকখি।

ইরাং হৌরিবশিং অদুনা পুলিস ষ্টেসন অমদা এটেক তৌবগা লোয়ননা মখোয়না পুলিসকী গাড়ী কয়াসু মৈ থাখি।

# দি আর কোঙ্গোদা রেবেলশিংগী এটেক্তা মীওই ১৯ শিরে

কিন্সাসা, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
নোংপোক থংবা দিমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ ড কোঙ্গো (দি আর সি) দা অহিংগী মতমদা চথখিবা এটেক অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৯ শিখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা লোকেল ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নোর্থ কিবুগী হান্নগী গভর্নর কার্লি নাজঞ্জু কাসিবিতানা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবদা ইষ্টর্ন প্রোভিন্স নোর্থ কিবুগী বেনিগী মনুং চনবা কিরিনদেরা ভিলেজতা চথখিবা এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীচম ১৯ শিখি। এটেক অদু এলাইট দিমোক্রেটিক ফোর্সেস (এ দি এফ) কী রেবেলশিংনা চথখিবনি।

এটেক অদুদা হেল্থ সেন্টর অমা য়াওনা ভিলেজ অদুগী বিল্ডিং কয়া রেবেলশিং অদুনা মৈ থাদোকখি। ইনৌ নৌবা এটেক অদু হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা এ দি এফকী রেবেলশিংনা বেনি টেরিটরিগী ভিলেজ অনীদা এটেক তৌদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৪ শিহনখ্রবগী থৌদোক মতুং নুমিৎ নীনি কান্নরগা চথরক্লিবনি।

এ দি এফ হায়রিবা রেবেল ওর্গনাইজেসন অসি কুমজা ১৯৯০ পরিংগী চহী খরা অদুদা য়ুগান্দগী ওপোজিসন মুভমেন্ট কয়ানা হৌদোকখিবনি। য়ুগান্দান আর্মিগী খুৎতা মায়থীবা নঙখ্রবা রেবেলশিং অদু ইষ্টর্ন দি আর সিদা মখা তানা এক্তিব ওইনা লৈখি।

দি আর সি অমসুং য়ুগান্দা অনীগী মরক্তা জোইন্ট ওপরেসন কয়া পাঙথোক্তুনা এ দি এফকী রেবেলশিং ফাননবা থেংখাং কয়াদা হোৎনখি। এ দি এফকী রেবেলশিং হৌজিক্তি সেন্ট্রেল অফ্রিকাদা ওপরেট তৌরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী এফিলিএট অমা ওইরে। চহী কয়া লিশাং শিংনা বেনি টেরিটরিদা এক্তিব ওইরকখিবা এ দি এফকী রেবেলশিংনা সিভিলিয়নশিংদা এটেক কয়া তোইনা চথদুনা লাকখি।

# হি লাকপদা মাইগ্রেন্ট মঙা শিখ্রে

অঙ্করা, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
টর্কিগী খা নোংচুপ থংবা সমুদ্র মপানগা নক্কনা দঙ্গি অমা ঈশিংদা লূপখিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মদুদা তোংলিবা মাইগ্রেন্ট মঙা শিখ্রে হায়না ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

হুরিয়টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬.২০ তাবা মতমদা হি অমা ঈশিংদা লাকখ্রে হায়বা পাউ ফঙবদগী টর্কিসগী কোষ্ট গার্দ অমা এদিন প্রোভিন্সকী দিদিম দিষ্ট্রিক্টনা কোনবা সমুদ্র মপানগা নক্কবা মফম অদুদা থুংখি। কোষ্ট গার্দশিং অদুনা অঙাং অমা য়াওনা মীওই ১১ রেস্ক্যু তৌখি।

থৌদোক অদুদা থীবা ফঙদ্রিবা মীওইশিং থীবা অমদি কনবগী থবক চথরি। প্রিলিমিনরি ফাইন্দিংশিংগী মতুং ইন্না অফ্রিকান নেসনেলশিং ওইবা মাইগ্রেন্টশিং অদু হ্যুমেন ট্রাফিক্করশিংনা দিদিমদা পুরকখিবনি। মাইগ্রেন্টশিং অদু মখোয়না মফম অদুদগী ইল্লিগেল ওইবা মওংদা গ্রিক্কী ঈথৎশিংদা হোনগদৌরিবনি হায়না হুরিয়টকী রিপোর্ট অদুদা পনখি।

পনবা য়াবদি, এজিয়ন সী অসি টর্কি ফাওরগা য়ুরোপ য়ৌনবা হোৎনরিবা মাইগ্রেন্টশিংগী মরু ওইবা লম্বী অমা ওইদুনা লাকখি। কুমজা ২০১৬ গী মার্চ টর্কি অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মরক্তা দিল অমা খুৎয়েক পীনদুনা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেসন কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফম য়ানখি।

# ইনফ্লেসন অমসুং মিলিটরি সপোর্টকী মায়োক্তা প্রাগতা প্রোটেষ্ট চখ্খ্রে

প্রাগ, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
হিংবদা তঙাই ফদনা চঙলিবা পোৎলমশিংগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলকপা অমদি গভর্ণমেন্টনা য়ুক্রেনদা মিলিটরিগী মতেং পীবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা উত্তুনা চেক কেপিটেল প্রাগতা মীওই লিশিং কয়ানা দিমোন্সট্রেসন চখ্খ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি চেচিয়া এগেনষ্ট পোভর্টি হায়বা বেন্নরগী মখাদা চথখিবা প্রোটেষ্ট অদু প্রেবো রেস্পেক্ট ওটবোরোনোস (পি আর ও) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

চেগোস্লোবাকিয়াদা তঙাই ফদনা হিংবদা চঙবা পোৎলমশিংগী মমলশিং নোংম নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌবগী মথক্তা দিমোন্সট্রেটরশিং অদুনা কিভতা খুৎলায় পীবা লেপ্পবা অমসুং প্রাগতা পিছ কনফরেন্স অমা পাঙথোক্লবা তকশিনখি।

চেক রিপব্লিক্তা মমাঙ চহীগা চাংদম্নবদা হন্দক্কী জনুৱারীদা লৈখিবা ইনফ্লেসনগী চাং চাদা ১৭.৫ তগী খরা হন্থদুনা ফেব্রুৱারীদা চাদা ১৬.৭ তা লৈখিবা ওইরবসু মসি মখা তানা চেক নেসনেল বেঙ্কনা থল্লিবা চাদা ৩ গী টোলরেন্স থ্রেসোলগী মথক ওইরি।

পি এ ক্যু রিছর্সনা পাঙথোকপা অমদি চেক রেদিওনা কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বরদা শন্দোকখিবা এনালাইসিস অমনা চেক রিপব্লিক্কী ইমুং চাদা ৩০ ফাওবা চহী অসিদা ইনর্জিগী মমল হেনগৎলকপগা লোয়ননা হাউজিংগী মমলশিং ৱাংখৎলকপা অসিনা মরম ওইদুনা লাইররক্কনি হায়না প্রিদিক্সন পীরি।

# পিছ টোল্ক য়াঙশিন্নবা কলম্বীয়ন গভর্ণমেন্টনা গুরিলা গ্রুপকা দিল খুৎয়েক পীনখ্রে

বোগোটা, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
কলম্বীয়াগী গভর্ণমেন্ট অমসুং নেসনেল লিবরেসন আর্মি (ই এল এন) গুরিল্লা গ্রুপকী মরক্তা মেক্সিকো সিটিদা চথরকখিবা অনীশুবা রাউন্দগী পিছ টোল্ক এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনবগা লোয়ননা লোইশিনখ্রে।

এগ্রিমেন্ট অদু খুৎয়েক পীনখিবা অদুনা মরম ওইদুনা চহী কয়া চুপ্পা লিশাং শিংনা চথরকখিবা কনফ্লিক্ট অদু অনৌবা মায়ওন অমা লাকহল্লগনি হায়রি।

মেক্সিকোগী এগ্রিমেন্ট অদুনা পিছ প্রোসেসতা কলম্বীয়নশিংনা শরুক য়াবগী অমদি নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র লিংনবগী অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন রিলিফকী এগ্রিমেন্টশিংগী ওইবা জেনরেল ফ্রেমৱার্ক অমা লাকহন্নবগী হেন্না ফবা কন্দিসনশিং লৈহল্লগনি।

হৌখিবা চহীগী নবেম্বরদা ভেনিজ্বেলাগী করাকাষ্টতা অহানবা রাউন্দগী ৱারী শান্নখ্রবা মতুংদা মেক্সিকো সিটিদা ফেব্রুৱারী ১৩ দা অনীশুবা রাউন্দগী ৱারী শান্নবা হৌগদৌরিবনি। অনীশুবা রাউন্দগী ৱারী অদুগী এজেন্দাদা অহানবা রাউন্দদা য়ানখিবা ৱাফমশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী প্রোগ্রেস য়েংশিনবা অমসুং এজেন্দা এদজষ্টমেন্টশিং এপ্রুফ তৌবা অমসুং দ্রাফটিং য়াওরি।

পিছ টোল্ক অদু মখা তানা ক্যুবাদা চথগনি। পার্টি অনীমক্না কেরিবিন ঈথৎ অদুদা অহুমশুবা রাউন্দগী ৱারী শান্নবা য়াহন্নবা হায়জরকখিবদা একসেপটেন্স পীখ্রবনি।

ই এল এন অসি কলম্বীয়াগী হৌজিক হৌজিক লৈরিবা খ্বাইদগী লীরবা গুরিল্লা গ্রুপনি।

# ইরাননা রসিয়াদগী সু-৩৫ জেটশিং লৈরগনি

টেহরান, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
ইরাননা রসিয়াদগী টেক্নোলোজিদা খুমাঙ চাওশিল্লবা সু-৩৫ জেটশিং লৈননবগী দিল অমা য়ানরে হায়না ইরানিয়ন ষ্টেট মেদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

খোঙথাং অসিগা লোয়ননা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী লানদা ইরাননা শাবা দ্রোনশিং ফাওবা শীজিন্ননবা পুখ্রবা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না চেৎশিলহল্লগনি। য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা ইরানগী মিশনগী ৱারোল পল্লদুনা ব্রোদকাষ্টর আই আর আই বিনা হায়, সুখোই-৩৫ ফাইটর প্লেনশিং অদু টেক্নিকেল মীৎয়েংদা ইরাননা পাম্বা ওই অমসুং লৈবাক অসিনা ফাইটর প্লেনশিং অদুবু লৈননবগী কন্ট্রেক্ট অমা ফাইনেলাইস তৌরে।

রিপোর্ট অদুদা দিল অদুবু রসিয়ানা কনফার্ম তৌবগী ৱারোল অমদি অতৈ অকুপ্পশিং অমত্তা পনখিদে। মিশন অদুগী মতুং ইন্না ইরাননা অতৈ মমিং পন্দবা লৈবাক কয়াদগী মিলিটরি এয়রক্রাফট লৈননবসু ইনক্বারি তৌখি।

হৌখিবা চহীগী জুলাইদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা টেহরানদা ইরানগী সুপ্রিম লিদর অয়াটোলা অলি খামেনৈগা উন্নদুনা য়ুক্রেনগী লানগী মতাংদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা পীরক্লিবা প্রেসর য়েংলগা লৈবাক অনীগী মরী হেন্না চেৎশিলহনবগী ৱাফম য়ানখিবনি। রসিয়াদা দ্রোনশিং থাই হায়বসি ইরাননা য়াখিবা ওইরবসু খুৎলায়শিং অদু মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দারিবা অদুদা শীজিন্নবা নত্তে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

# ফ্রান্সকী সিনেটনা পেন্সন রিফোর্ম বিল পাস তৌখ্রে

পেরিস, মার্চ ১২ (এজেন্সী):
প্রসিদেন্ট ইমানুয়েল মেক্রোনগী অনীশুবা চহী মঙাগী টর্মগী পোলিসি চেঞ্জকা মরী লৈনবা মরু ওইবা খোঙথাং অমবু ফ্রান্সকী মীওই লিশিং চা কয়ানা য়ানিংদবা উত্তুনা লৈবাক অসিগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবা লৈনা লৈনা ফ্রেন্স সিনেটনা লৈবাক অসিগী পেন্সন রিফোর্ম প্লান্ট এপ্রুভ তৌখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ফ্রেন্স পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসনা বিল অদুগী ভোট লৌনবদা মদুবু ভোট ১৯৫ না শৌগৎখি অমসুং ভোট ১১২ না মদুগী মায়োক্তা লৈখি।

বিল অদুগী মরু ওইবা পান্দমদি থবক্তগী পোথাবগী মতম চহী অনী শাংদোক্তুনা চহী ৬৪ ওইহনবা অসিনি। কম্মিটি অমনা ফাইনেল দ্রাফট পুথোক্কনি অমসুং মদু ফাইনেল ভোটকীদমক সিনেট অমসুং নেসনেল এসেমব্লিদা থাগনি। পুং কয়া চুপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা সিনেটনা পেন্সন রিফোর্ম প্লান্ট অদু এপ্রুভ তৌখি। মদু ঐখোয়গী পেন্সন সিষ্টেমগী অফবা তুংলমচৎ অমা লৈহন্নবগী পান্দমদা লৌরকপা য়াম্না মরু ওইবা ৱারেপনি হায়না ফ্রান্সকী পিএম ইলিজাবেথ বোর্ননা ত্বিটরদা ইখি। হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ফ্রান্স পুম্বদা মীওই ৩৬৮,০০০ না গভর্ণমেন্টগী প্লান্ট অদুগী মায়োক্তা দিমোন্সট্রেসন চখখি হায়না ফ্রেন্স মিনিষ্ট্রি ওফ ইন্টরিয়রনা ফোঙদোকখি।

**OFFICE OF THE**
**MANIPUR STATE LEGAL SERVICES AUTHORITY**
(ADR building, Lamphel Court Complex, Lamphelpat, Imphal 795004)

**ꯈꯪꯍꯟꯅꯕꯒꯤ ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ /ADVERTISEMENT**

Imphal, the 6th March, 2023

No. 6/72/2023-MASLSA/289: Applications in the prescribed format are invited from intending candidates for contractual engagement to the following posts for implementation of "Legal Aid Defense Counsel System" for the districts of **Imphal East, Imphal West, Bishnupur and Thoubal** under the LADCS Scheme, 2022 of National Legal Services Authority (www.nalsa.gov.in)

| Sl. No. | Name of post (One post each for the districts of Imphal East, Imphal West, Bishnupur and Thoubal) | Total no. of post | Consolidated Honorarium |
|---|---|---|---|
| 1. | Chief Legal Aid Defense Counsel | 04 | Rs. 75,000/- p.m. |
| 2. | Deputy Chief Legal Aid Defense Counsel | 04 | Rs. 55,000/- p.m. |
| 3. | Assistant Legal Aid Defense Counsel | 04 | Rs. 30,000/- p.m. |
| 4. | Office Assistant | 04 | Rs. 20,000/- p.m. |
| 5. | Receptionist-cum-Data Entry Operator | 04 | Rs. 17,000/- p.m. |
| 6. | Peon | 04 | Rs. 12,000/- p.m. |

Details of the post along with application form and general information can be downloaded from the official website of High Court of Manipur at www.hcmimphal.nic.in

Sd/-
**Ojesh Mutum**
Member Secretary,
Manipur State Legal Services Authority

HL-B/8060/7&13